> *"নুংশিরবী ইমা হে মণিপুর*
> *হন্না হন্না পোকচদুনা ইমা*
> *নঙগী সেবা হন্না হন্না ফংজগে।"*
> *-বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*

ঈরৈপাক্কী অথৌবশিং

—হেম্ব লমাংদোং

ঙসি ওগষ্ট ১৩ না লাকপদা
কৎচরি হৈরাং লৈরাং খরদং
মাংদা লেপ্লীবা শক্তম নখোয়দা
টিকেন্দ্রজিৎ পাউনা থঙ্গাল হায়নবু
কৌই হায়দো নখোয়গী কোলোইদি
তাজরে নখোয়গী থৌনাফবগী ৱারীশিং
কখোকখি হায় পাম্মুদা থৰায়দি
ঈরৈপাক ইরমদম ঙাকপগী লানফমদা
মীখা পোনবা পামদবা অথৌবশিং
নখোয়গী নচা নশুনি ঐখোয়সু
নখোয়না কখোকপা ঙম্বগুম ঙমজগে
নখোয়দা লৈবা থৌনাগুম লৈজগে
খিকপীরকউ লেপ্পাইদ্রবা থৌজালগী ইরিকশিং
অনৌবা ময়োলশিংনা শিন্থুংনা চোংনবা।

পুনেমজবা

—ঈআর: এন. নোরেন

লাক্লে মতমগী খোঙলৈনা পুরদুনা
কংলৈচাশিংগী চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা
চৈচৎ ১৮৯১ নুমিৎ অসিমক্কী থৌদোক।

নোক্লা-নোক্লা য়ফাঁসি শগাইগী
থৌরী কোঙ্গোয়বু লৈপরেংগুম খন
উৎলম্মী মালেম লৈকোয় শিন্থুংনা
অথোয়বা কংলৈ মমোম-মপারীশিংগী
লমজিংপুরেল মখোয়গী থৌনা!

কচ্চরোই ঐদি লৈরাংগী খুদোল,
ইরমগনি হৈত-হৈত শৈরেং কয়া-কয়া
চোকথ' লৈতনা লমজিংপুরেল মখোয়বু শৈথাদুনা।

শিন্থরোই ঐদি মিৎলুদগী পিরাং,
লৈশাৎ তমহন্নবা লৈরাং চান্মা-চান্মা
হোৎনরমগনি হুমাং ঈরিক্তনা লৈখোঙ শোমদুনা।

নীংজরিবসি শরুক মচেৎ খরদং ওইর'সু
হাপ্পীয়ু পুনেমজরি হে লাইওইবা
কংলৈ ইমাগী অথৌবা নখোয়না।
হে অথৌবা পুনেমজে নশুনা...।

অথৌবশিংগী থানা লাকপসিদা

—নির্মলা রাজকুমারী

লাক্লে অথৌবশিংবু নীংশিংথা
শেংলবা ওগষ্ট থা
থা অসিদনি মৈত্রবাক্কী
অথৌবা মপারী টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল
লৈবাক্কীদমক থৰায় থাদুনা
ফাঁসিগী শগাই কাখিবা
ওগষ্ট তরাহুমদোই
করম্না কাউগনি নখোয়বু
মৈত্রবাক মচাশিংনা
নখোয়গী মিংলেন্দি
নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ
নীংশিংদুনা লৈহৌরনি।

ইমা কংলৈ নঙগীদমক (ওগষ্ট ১৩)

—মুতুম উপেন্দ্রো

তেংথারগনু থম্মোয় কায়না
খঙলে ইমা খঙজরে,
নপারি থৌনা পাঙ্গলবশিং
শামু নোংশারেন অথৌবশিং কয়ানা
ইমাগীদমক থৰায় থাখ্রবসু
নপারী কয়া হিংলিনে ঙসিসু
নীংতম্বগী অতিয়া মকোয়দা
অমকপা লৈচিল কুপ্লক্লবা
অকিবা শক্লোন খাঙলক্লবা
এটোম, ন্যুক্লিয়র মৈখুলক্তা
থৰায় কৎখ্রবশিং অশেংবা
অচুম্বগীদমক
হিংবগী ফিদমদো মালেমসিদা
অকনবা অথৌবা পোক্লফম
কংলৈ ইমা নহাক্কী
অৰা ফিজঙ মরুমদা
নপারী নমোম শেৎনঙৈ
থম্মোয় লকা মৈৰায়না
পূক্লিং নুংশুক নুংজানা
করিগী তেংথারি ইমানা?
পাওনা ব্রজবাসি অথৌবা
লানফমদা থৰায় কৎখিবা
নীংতম পুন্সি লানফমদা
ফাঁসিগী শগাই কাখিবা
বীরটিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেলনচিংবা
অথৌবা কয়াশিং
অথৌবা নচা কয়ানা
ইমা কংলৈ নঙগীদমক
ঈগী খুজোক কৎখিদো
য়েংঙুনে অমুক্না ঙসিসু
মীখা পোনবা হৈনদ্রবা
খুন্নাইসিগী থম্মোয় খুদিংদা
নীংশিংহল্লি নৌহৌননা
কুমজা ১৮৯১ গী ওগষ্ট ১৩ দা
মমল য়াম্লবা অথৌশিং
বৃটিশকী থৌরি কোঙ্গোইদা
পুন্সি লৈমন চনখিবা
ঙসি ওগষ্ট ১৩ দনি।

তৈথোক্লসি পিরাং ফিজিদুনা

—ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎ সিংহ

তৈথোক্লসি পিরাং ফিজিদুনা
কপ্লগনু চৎখ্রবা মখোয়গীদমক
লমজিংবিয়ু মখোয়গুম ঐখোয়বুসু
পুজরক্লবা লানঙম ফিরাল ইরৈবাক্কী।

কুমওনদি লাক্লে অমুক হন্না
ঙসিনি নুমিৎতু ওগষ্ট ১৩
কৎলসি লৈরাং খুজোক
উৎলসি ৱাখল অপুনবগী।

শোকহন্দনা তুবুম অমফাও
শিংলসি খোল্লাং লমন
ঙাক্লসি অচেৎপা ৱাশক
কৎলসি থৰায় ঐখোয়সু
কনজনবা ইরৈবাক তুংগীদমক।

বীর টিকেন্দ্রজিৎ

—নীলবীর শাস্ত্রী

মৈতৈ লৈমগী মপারী, ভারত মাতাগী অচানবা;
স্বাধীন সংগ্রামগী সেনাপতি, মৈতৈ জাতিগী অথৌবা।
নোংঙাল্লমদাই কালগী শজিক্লম, মণিপুরগী আকাশতা থোক্লম্বা;
কৈদা চৎখ্রে টিকেন্দ্রজিৎ, ভারত থুংনা ঙাল্লম্বা।

হুইয়েল লান্দা অথৌবা, লানফম খুদিং জয় ওইবা;
য়েক্লবা অপূম্বা তুজুংবা, কিবনা থক থক নিকখিবা।
চংজরকপদা ঙাকপীহৈবা, লাল্লবদা নোংশাগুম্বা;
অঙকপা নগুণ তাবদা, বৃটিশ জাতি নিকখিবা।

কোহিমাগী চীংশা নাপদা, নাগা জাতিগী লালহৌদা;
মায়থীরবা বৃটিশ জাতি, নংগী নতেং নীজখিবা।
কনবিখিবদাই অকনবা নঙনা, ঙাকখিবদাই ক্ষত্রয় ধর্ম্ম?
ঙাকপিহৈবা অকনবা, মৈতৈ জাতিগী অথৌবা।

ব্রহ্মাগী অকনবা লানফমদা; খুদোং থিরবা বৃটিশ জাতি,
কনবিখি অথৌবা নঙনা, উৎখি থৌজাল হৈবা।
বোরাচাওবা মেগজিন অনীমক, মায়থীখি মায়োক্লবদা নঙগা,
য়েক্লবা মায়থীবা পীখিবা, লানঙম ফিরাল পাইখিবা।

নতিক নগুণ তাবদা, নঙগী থৌনা উবদা,
পাইবা ঙম্মী হায়নবা, মাঙবা ঙম্মী শোন্নবা।
স্বাধীন পাম্বা অকনবা, পাম্বা কৈরেল ফাঙম্বা,
কৈদা চৎখ্রবগে অথৌবা মৈতৈ জাতিগী লুচিংবা।

চাওরবা বৃটিশ সম্রাজ্য, মরা তপ্পরোই চিংনবনা;
লোঞ্জা লোনথুপ্পবা শাজৎনা, নঙতবু ফাগে থৌরাংবা।
চীফ কমিস্নার ক্লিন্টন,, পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রিমউদ;
মিষ্টর জিমসন কাসিন্স কর্নেল স্কীনে কেপ্তেনবুচর।

হুরাল শাজৎ চৎপরা, অহিংদা লোন্না লালহৌবরা?
তৌবিমল খঙদ্রবা বৃটিশ, লানফম খুদিং কনবিখিদরা?
জাতিগী স্বাধীন ঙাক্লবা, ফাঁসীগী থৌরি হুকখ্রেনে;
য়েংউনে মৈতৈ প্রজাশা! ঐখোয়গী বীর টিকেন্দ্রজিৎ।

ঙাইখোনে মৈতৈগী অথৌবা, সেনাপতি বীর টিকেন্দ্রজিৎ
ঐখোয় পূম্বনা কৌজরি, মৈতৈ লোইনা তেংথারি।
নঙগুম্বা মপারী পোকচবনা, মোমোন নোকচবনি মৈতৈ লৈমা;
পিল্লবসু মৈতৈ জাতি কিনবনি মালেম পূম্বনা।

চাকখিনু তমথীরবা মৈ, মৈতৈ লৈবাক্কী অকনবা;
হুমখিনুনে নুংশিৎনংবো সেনাপতি বীর টিকেন্দ্র।
ইপোম হৌরিবা ইপাকশা, চেন্থখিনু ঐখোয়গী অথৌবা;
অকনবা মাগা লোয়ননা, মাঙখ্রগনি মৈতৈগী স্বাধীনত।

ওগষ্ট নঙগী থাবুম্নুংসিদা

—আর কে সনাহনবী (লীকখোম্বী) চনু

পুৰারীগী লাতম কয়া
চেৎনা থাগোন্নরিবী ইমা
শক্লোন য়াম্বী ওগষ্ট থাবুম!
নহাক অমুক লাক্লবরা
অৰা নুংঙাই নপাউ পুরদুনা।

নঙনা লাকপা খুদিং
নীংশিংহল্লে লকানুংদা
নথানুংগী ৱারী শীংবুন
নোকসিরা, কপসিরা ইমা?
অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১
চীংতম পোকপী ইমানা
মপারী থাঙ্গাল, টিকেন্দ্র
শেৎন-খায়ন মৈশা লাংখিবা
ইমা নঙগী থাবুম্নুংদনি;
লৈশাৎ তন্নকখিবদাই ওগষ্ট ১৩
অথৌবশিংগী নুমিৎনা নথানুংদা।

নীংশিংলিনে অদুঙৈ ১৯৪৫
নথানুংদা থোকহন্নীংদনা থোকখিবা
মালেমগী ন্যুক্লিয়র লমজেলদা
হেরোসিমা, নাগাসাকী অনীগী
য়েংহৈদ্রবা শক্তম অদো ইমা।

অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭
বৃটিশ লোইলম থাদোক্লম
ভারত লৈমা ইমানা,
নীংতম লুহুপ উপখিবদো
নঙগী পীবুক্লুংদনি ইমা।

সিনসু লোইদ্রি ইমা
লাইবক চাউবী কুমজা ১৯৬৩
ইমা নঙগী থয়ায়দনি
লৈশাং তন্নকখিবদো মোমোন নোক্লা
ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালনা
কংলৈ লৈকোল পুঙসিদা।

লেপ্পাইদবা মতমগী ঈচেলদা
অৰা নুংঙাই মায়োক্লুখিবী ইমা।
কাউঙমদে ১৯৬৫
ইমা নঙগী থামৈদনি
হাঙলবা চাকখাওগী লানফমদা
পিখম্নখিবদো নপারী নমোম কয়া;
মরু হুনখিবদাই নুংহীক্লরবী
ওগষ্ট ২৭ চাক্লাম খোঙচৎ।

নীংশিংলগা নুংওল্লি ইমা
নুংশিরবী পাম্মুরবী ইমালোন্না
ভারত লৈঙাক পথাপকী
নিপালশুবা সেদ্যুলদা
ফম্বাল লাং ঙান্থোইখিবদো,
শৈশক তন্নকখি ওগষ্ট ২০
মণিপুরী লোনগী নুমিৎনা
ইমা নঙগী নতম্পাক্তা।

অদুগনে ইমা নঙগী থাজিন্দনি
লেপখিবদো নচাশিংনা অমত্তা ওইনা
থৰায় পোন্থা পীদুনা
ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাক্লবা
অদুঙৈ কুমজা ১৯৯৭
ঈহৌহনখিবনি ঙমখৈ ঈহৌ,
পূম্নমকসে কাউঙমদে ইমা, কাউঙমলোই।
অদুবু ইমা লাইবক চাউবী
নঙনা ঙসি খোঙদোরকপসিদা
থুপচিনবীরম্মু মতম চুপ্পগী ওইনা
তোখায় তাবগী ৱাখল্লোন
মালেম, কংলৈ লৈমায়সিদা।

থম্মোয়গী মরী

(ৱাহৈগী লৈতেংনা অপাবশিংবু হুমদুনা পুরিবা ৱারীমচাশিং)

মাইবম নবকিশোর সিংহ
থম্মোয়গী মরী
মাইবম নবকিশোর সিংহ

মাইবম ওজা নবকিশোর হেক পন্নরকপদা হেক্তা ইংরাজি অইবা, জোর্জ ওরৱেল হেক্তা নীংশিংই। অনীসিগী মান্নজবা য়াম্না লৈ। অনীমক তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা লেঙলি-পাল্লিবা জীব অতৈগী মরোল খঙই, লমচৎ-শাজৎ, থম্মোয় ৰাকৎ লোইনা তাই। জোর্জ ওরৱেল ১৯০৩ দা বেঙ্গলদা পোকখি। চহী ৪৭ খক পূন্সিরম্লগা ইংলেন্দদা পূন্সি লোমখি। থম্মোয় নৌবা অইবসি ইংলিস মচা ওইজরবসু লোইলম শন্দোকপা মরৈবাক্কী মওংসি পামজদবদগী সিফাই ওইবা তোকখি। মতমদুগী বর্মাদা লৈরুবগী পূন্সিদা য়েকপা মাগী অহানবা নোভেল, বর্মিজ দেজ (১৯৩৪) মমিং চৎখি। মতমদুগী সোভিয়েট লৈবাকপু করেম্নবা ওইনা ইখিবা মাগী ফেব্বল, এনিমেল ফার্ম (১৯৪৫) না মাবু হেন্না মমিং চৎহনখি। মসিদা মানা শাশিংগী লমচৎশিং য়েক্তুনা পাবদা, নোভেল অমা পাবগুম নুংঙাইবদু পীবা ঙম্মী। শাশিংনা তাইবঙ লোনচৎ চৎলকপা, শাশিংনা মখোয়খক্তগী সংসার অমা শেল্লকপা ওন্থোক্লা মওং তাখ্রে। তশেংনা মীওইবগী মায়োক্তা হৌরকপা লাননি। মীওইবা ঐখোয়দগী শাশিংনা আশা তৌরিবা লমচৎ অদু ফংলক্তবগী ঈহৌনি। পারুবদা অহানবদা নোক্লিংলম্মী, অদুবু লোইরকপদদি থম্মোয়দা খাঙঙমদবা মৈচাক অমা পীরম্বা ঙম্বা ৱারী খূৎলিনি।

অদুমক্লি ঐখোয়গী অইবা মাইবম ওজা নবকিশোরসু/মাদি না থাঙ্গৎতুনা তায়, য়েন লাব-অমোমগী ৱাহৈ, হামেংগী ৱাকৎ, পিক্তগী পীকপা মিগী তেংথা/মাদি শা-ঙা, তিন-কাঙগী মরোল লোইনা খঙই, মাদি মথ্বায় পান্দবা পোৎ-চৈগী অৰাবসু উই, গ্যাস সিলিন্দরগী, নোংদোন্দা পাইরিবা লৈচিলগী, খোঙনা নেৎলিবা সেন্দলগী, মল্লগা লংথোক্তুনা থল্লিবা সাইকলগী অৰাবা লোইনা মঙোন্দা ৱাকৎলৈ। মানা মখোয়গী ৱাকৎ তায়, অদুগা মথ্বায় পালহল্লকই, ৱা ঙাঙহল্লি, ৱারী শানৈ, কপমিন্নে। কয়াদা থম্মোয় নৌখ্রবা অইবনো? মসিদনি ৱারীমচা ইবা অতৈদগী ওজা নবকিশোরনা তোঙান্না তারিবা, মসিদনি ওজা নবকিশোরগী মনাক্তা ঐখোয়না নক্লবা ঙমদ্রিবা। অদুনা হায়নিংলকই ৱারীমচা ইবা কয়া থোক্লকখিগনি, অদুবু ওজা নবকিশোরগী মহুৎ অমা লাকপদি মতম কুইনা চঙখিগনি। ওন্থোক্লা পকচখ্রে, মাগী হৈ-শিংবা।

অতোপ্পা ওজা অসিগী মগুণ অমত্তংগা হায়বা তারবদি ওজাগী ৱাহৈগী লৈতেং অসিনি। ৱাহৈ অমগা প্রমাণ অমগা, ৱাঙাঙ অমগা পান্থৈ অমগা, মদুসু হেক্তা জুৎ চানবা, হেক্তা পকচবা, মাগুম্বা লৈতে ঐখোয়গী লক্তা। মাদি অদুম তোঙান তাদুনা লৈ। হায়রিবা ৱারীমচা অমখক্কী ৱা নত্তে, ৱারীমচা খূদিংগীনি। মৈতৈ পাউরৌ, পান্থৈ, লোনথৈ, লোনথেৎ, লোঞ্জল অসুক ইনাক খুল্লি হায়বসি ওজা নবকিশোরগী ৱারীমচাশিং পারুবগা খঙবা ঙম্মী।

অতোপ্পা ওজাগী মগুণ অমসু লৈরি। নুপা ওইজরবসু নুপীগী তাইবঙ নমখায়দুনা চঙবা ঙম্মী। নুপীশিংনা ঈরুজফমদা, মাঙ্গোনদা, চাকখুমদা ঙাঙনবা ৱা মানা লোইনা তাই। অদুনা ইথোল্লকপদা হেক্তা পাল্লি। মতৈ-মনাও খৎনবা মানা নান্থোকহন্দে, মতৈ-মনাও কেনবা মানা য়েংদনা তোক্তে, অদুগা নুপী অইবী অমগুম নুপীগী লমচৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ থারকপদা করিসু নোপত্রে। হেক্তা চূশিন্নে। অদুগা ওজা অসিনা থিম খল্লকপদা নুপা-নুপীগী মরী ঙাক্তা অয়াম্বা খল্লকই, মদুসু চং ফংনা, আ য়ৌনা হেক্তা, ইকাই কোঙ্গোই হাঙনা ৱারী শাগৎলকপা ঙম্মী, ৱাহৈগী লৈতেং শেমদুনা, প্রমান-পান্থৈ শীজিন্নদুনা। খ্বাইদগী ফজরিবনা ৱারীমচা অয়াম্বা কপ্লিঙৈদা নোকহনবা, নোক্লিঙৈদা পিরোইনহনবা ঙম্বা ৱারী খূৎলি অসিনি। মসিদা তাক্লি অইবা অসিনা অপাবশিংবু শান্ননিংবা মওংদা শান্নবা ঙম্মী হায়বদু।

অদুবু ৱারীমচা ইবদা মমিং লৈরবা ওজা অসিগী খূৎইগী মরমদা ওজা অরুনানা চুল্লবা ৱাফম অমদি হায়রি। ক্রিটিক অসিনা ৱাহৌদোক্তা হায়, "অইবসি ৱারীমচাগী মশাজৎ ওইরিবা ৱাহৈগী একোনোমি থম্বদা থোইদোক্লা চেকশিন্দে।" ৱাফমসিমদি ওন্থোক্লা চুমখ্রে, ওজা অসি ৱারীমচা ইবগী টেক্নিক, টুলস, মেথদ লৈরিবা ময়ামদু অমত্তা শীজিন্নদে হায়বা য়াই। মাগীদি চুমদ্রিং, হৌবদগী লোইবা ফাওবা। অদুবু হেক্তা ফজহল্লি। মদুগী মরমসু ওজা অরুনানা পল্লম্মী। মানা হায়, "অদুবু অইবা অসিগী পাউদম হৈবনা পলহন্দনা অপাবশিংবু পুদুনা চৎলি।" মসিসু চুম্মী, অইবসিগী ৱারী লীবা হৈবা অসিমক লৈরমদ্রবদি মীনা কনা-কানি ঙাঙনরম্বা য়াই।

লাইরিক অসিদা ৱারীমচা ১৭ য়াওরি। ৱারীমচা ১৭মক নৎত্রবসু খরদি ফজরে। খূৎইদি হামু হামুনি। ওজা নবকিশোরগী মশক অদুম পুরি। হন্দক্লদুম ৱাহৈগী মচিন থৌবা, ইকাই ইকি খঙদবা,

মমিং	ঃ	থম্মোয়গী মরী
মখল	ঃ	ৱারীমচা
অইবা	ঃ	মাইবম নবকিশোর সিংহ
ফোঙবা চহী	ঃ	২০১৭
অফোঙবা	ঃ	ইরমদম খোর্জে অপূনবা লূপ, হিয়াংলম ৱাবগাই
পাউদম্লিবা	ঃ	সলাম তোম্বা

ৱা কাফাৎখিবা খরদুম হেন্না উরি। হায়হন্নিংদবা ৱাহৈফাও হেক পল্লম্বা থেংনরি। শ্বাই লাউবা ৱাহৈসু মথি ফোংলকপা য়াওই। মসি চহীনা পীরকপা ফোর্স ওইবা তাই।

অহানবা ৱারীমচা 'মুৎলরোইদবা মৈচাক' অসি পারুবদা থম্মোয় নৌরোইদবা অপাবা য়াওদে। ৱারীমচা হায়বসি ফিক্সননি। অদুবু ফিক্সন হায়বসি ফেক্ট য়াওদবা য়াদে। অদুনবু ৱারীমচাবু কল্পনাখক্লা ইবা ওইথোক্তে হায়নরিবনি। অমরোমদা ফেক্ট ঙাক্তা থম্বসু য়াদ্রি। মদুদি ৱারীমচা ওইররোই। অদুমক্লি ৱারীমচা অসিদা ওজা অসিনা তৌরিবা। মাগী পূন্সিদা থোকপা অৰাবা থৌদোকপু খূৎশেম ওন্থোক্তুনা ৱারীমচা ওন্থোকপনি। লৈখিদ্রবা মচানুপাগী মূর্ত্তি অমা থল্লি কোন্থোংদা। মদুদা যুম্ফম ওইরগা শাগৎলকপা ৱারীনি। ৱারীমচা অসিগী লোইশিল্লকপা শরুক অসিদি থম্মোয় খোনবা দৃশ্য অমদা লোইশিল্লি। খাঙবা ৱাই পারুবদা।

মথঙদা ওজাগী হৈনবী এলেগোরিকেল্লি ইবা, মথ্বায় পান্দবা পোৎপু জিবনাস তৌবা ঙম্বা শক্তিদু শীজিন্নদুনা ৱারীমচা ৩ ইরি। মখোয়দুদি 'বালা মাঙখিবদা', 'চাউথোইখোয়গী অহল' অমদি 'অমম্বা কাচিন অমদা'। অহানবগীসিদা ওজানা অপাবশিংবু বালা কৌবী নুপীমচা অমা মাঙখিবগী অৰা-চৈনা ফাওহল্লি। মমৈদা 'বালা' কৌবা সেন্দল অমা ওইরম্মী। ৱারী খূৎলি হৈনা ইখ্রে। সসপেন্স ফজনা পীরি। লম হেন্দোকখিবা মতাং খরা য়াওরবসু। মথঙগী 'চাউথোইখোয়গী অহল' হায়বা অসিদদি ওন্থোক্লা ফজখ্রে। ওজাগী মমিং লৈখিবা ৱারীমচা, 'পাঙ্গল শোনবী ঐসে অদোমগীনি' হায়বা অদুগুম থোকই। মীনুংশি পোকহনবা ঙম্মী। অহলসি চাউথোইগী অপোকপনা ইম্ফালদা থেংনবদগী চাউথোইবু লমজেল তম্বীনবা নেল্লকপা ওজা অমা ওইনা উহল্লি। চাউথোইফাওবা অহল ওইরক্লবদা মমৌতনা অহলসিবু থবক হেক হেক শীজিন্নে। থবক ফাংনরকপদা মুন্নবা, খৎনবা, চিরোল-খারোল ওন্থোক্লা মওং তাখ্রে। অদুবু নোংমদি অহলসি হৌগৎলু য়াদ্রে। ময়াংগী থেলাদা হিপ্তুনা পুখ্রে লায়েংনবা। মতাংদুদা অহল অসিনা মৌ ৩ দুদা পীরম্বা কায়ন-শৈরোল ওন্থোক্লা কপ্লিংবা ফাওহনবা ঙম্মী। অদুবু অরোইবা ৱাহৈ পরেংদা সাইকল অমনবা ওইরমখি। ময়াংনা কোঞ্চক্কী পুখিবা মওংদু উৎলকই। কয়াদা হৈনা ইখ্রবা। থাগৎতবা ঙমদে। অহুমশুবা 'অমম্বা কাচিন অমদা' হায়বা অসিনা নুপা অমনা লাং থাকপা চৎখিবা ওইনা ৱারী শাগৎলকই। মাগী নুপীনা চানিংবা ঙা ফারকউ হায়দুনা বর পীখি। মদু ফানবা হোৎনবদা নুপাদু অৰাবা তাখি। মখোঙ তেকখি, অপাবা স্বাই লাউহল্লি। অদুবু ৱারীগী ময়ায় চল্লকপদা মি লাবা ওইরমখি। চুন্না মখোঙ থদৎখিবা ওইরমখি। হেক্তা ফজহল্লি।

হন্দক্কী লাইরিক অসিদা ৱারীমচা ওইবগী শাজৎ, ৱাহৈ-ৱাতাগী ফজবা, সসপেন্স পীবা, সিঙ্গল ইফেক্ট লৈবা, সপ্রাইজ এন্দিং লৈবা ৱারীমচা ফজবা অনীখক য়াওরি। মসিদি করিমত্তা শিত্র লৈত্রবা ৱারীমচানি হায়নিংঙি। মখোয় অনী অদুদি, 'কবি অমগী পূন্সি ৱারী' অমদি 'পুখমগা খুজাইগা' হায়বা অনীসিনি। অহানবগী অসিদা ওজানা হৌবদগীনা লোইবা ফাওবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা হেক য়োৎশিন্নিংই। মফোল থোকপা ৱাহৈ পরেং য়াওদে। ঈঙ্গিৎনা পীবা ফল অমা পীরগা লোইশিনখি, অপাবশিংবু ৱাখল খলহল্লম্লগা। অদুগা অতোপ্পা ৱারীমচা, 'পুখমগা খুজাইগা' হায়বা অসিদনা সপ্রাইজ এন্দিং ফজনা পীরি। মসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা। এম এ লোইরবা নুপা অসিনা থবক্কী পৈশা পীশিনখ্রবসু ওইদ্রবদা মাগী নুপীগী মমাঙদা ইকাইদুনা অঙাং ট্যুসন তৌবা চৎলিবনি হায়রগা রিক্সো থৌরম্বা, মাগী নুপীসু মাগী নুপানা য়ানা মনেগী নাক্তা মতেং পাংবা চৎপগী মওংদা চৎলগা মীগী উৎসব মেলাগী কোল ফেংবা চৎলম্বা ওন্থোক্লা মওং তাখ্রে। লোৎতুনা পুবা ঙম্মী। লোইশিল্লকপদা মখোয়গী খৎনরকপা থৌদৌ নহারোলদা ঈথিল পীবা ৱারীমচানি হায়নিংঙি।

লোইশিল্লকপদা লাইরিক্কী মমিং পুরিবা "থম্মোয়গী মরী' হায়বা অসিসু থিম ফজে, অদুবু রিয়েলিটিগা খজিক লাপ্পনা লৈরি। পাবদি অদুম য়ারি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ওজা অসিনা ৱারীমচাগী খূৎইদা ফিতিংথোক্লগা পীবগুম তৌরিবসি ফিথূপ নাইনা থূপ্পগা অমুক্তংগা পীবিরবদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা হায়বদু থোক্কনি হায়নিংঙি।

মীয়ামগী খোঙচৎ

-মুন্সি প্রেমচন্দ

নীংতম লালহৌগী খোঙচৎ অমা লাক্লি। নহা খরা, অহল খরা, অঙাং খরা মখূৎতা ফিরাল মচা-মচা পায়রদুনা বন্দেমাতরম শক্লদুনা কৈথেল ফাওদুনা চৎখ্রি। সরক্কী নাক-য়েৎতা মীয়াম অমনা চৎলিবা খোঙচৎতু মখোয়গী শরুক্তি য়াওদবগুম কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈরি, মখোয়গী থবক্তি লেপ্পগা য়েংবদুনি। শম্ভুনাথনা দুকান মমাঙদা লেপ্পগা মাগা থংনবা দিনদয়ালদা হায়রকই - মীয়ামসি খুদোংথিবা নংজগে হায়দুনা চৎলিবনি, অশ্বাই য়ৌরগদি শগোল তোংবা পুলিসনা ফু-ফুদুনা তাল্লক্লনি।

দিনদয়ালনা অমুক হায়রকই- মহাত্মসু ৱাখল চোয়রে, মীয়ামগী খোঙচৎ চৎলগা নীংতম্বা ফংবা তারবদি নহালনা ফংলনি। য়েংউনে, চৎলিবা খোঙচৎসিদা কনা-কনাবু য়াওরিবগে, মীরেম, অঙাওবা ঙাক্তা, মশক নাইবা মী অমত্তসু য়াওদে। মৈকুদু শেন্দল অমদি কৌতাগী পরেং অমা য়ানশিল্লগা দুকান্দার অনীদুনা ঙাঙলিবদু তারগা নোক্লি।

শম্ভুনা হায়রকই- করিগী নোক্লিবনো মৈকু, ঙসিদি খরা হেন্না পায়শিল্লবা মাল্লিদা?

মৈকু- মশক নাইবা মী অমত্তা খোঙচৎসিদা য়াওদে হায়বদুদা নোক্লীংলিবা। অচৌবা মশক নাইবা মীদি খোঙচৎসিদা করিগী য়াওরুনি, মখোয়দি করিসু ৱাদেনা! অচৌ-অচৌবা দলানশিংদা লৈ, চৎথোক-চৎশিন গাড়ীদা, সাহেবশিংগা চাকলেন চামিন্নে, করিবু ৱারীগে? শিগদৌরিবদি মফম মরাং খঙদবা ঐখোয়নিনে। মখোয়দি খরনা টেনিস শান্নরমগনি, খরনা চা থক্লগা গ্রামোফোনগী ঈশৈ তারমগনি, খরনা লৈকোলদা কোয়রমগনি, অসিদা পুলিসকী লীচৈ চানবা কৈদৌবা লাক্তোইবা?

শম্ভু - নঙনা খঙলোইনে মৈকু, অচৌবা মশক নাইবা মী অহুম-মরিদা য়াওবদা লৈঙাকসু ৱাখল খিক্তং খন্থবনি। মফম মরাং খঙদবা, লম্বীদা পংলৈ লৈবা ময়ামদা অচৌবশিংনা করিবু থৌওইদোইনো?

মৈকুনা মানা ঙাঙলিবদু থৌওইদনা হায়রকই - অচৌবা মীদি ঐখোয়না শেমদনা কনানা শেমদোইনো? কনামত্তনা মশক খঙবীরমদবা মীদু ঐখোয়না শেম্বীবদগী অচৌবা মী ওইখরে, কার তোংলগা লাকপদা ঐখোয়গা হন্না য়েংবীবা পোৎ নত্তে। মখোয়না ফিরাল মমায় হেক চুম্বগা মী অমত্তা উদে। ঐখোয়গী অচৌবা মশক নাইবা মীদি ফৈজোম তঙ্খাই শেৎলগা মখোঙদা খুরুম তোংদনা ঐখোয়গী নীংতম্বা পুরক্ল বগীদমক মথৰায় খুবাক্তা হাপ্পুনা কোয়চৎ চৎলিবা অসিনি। মা নত্তবা অমত্তা ঐখোয় মৰা লৌদে। অচৌবা মীশিংনা লৈবাকসি মাঙহল্লবনি, লৈঙাকসিনা অচৌ-অচৌবা ফম পীশিল্লগা মখোয়বু ঙাওহল্লবনি।

দিনদয়াল - অনৌবা লাকপা দারোগাসিদি পুরা হিংচাবনি। লমলোং মরি ফাংবা হেক য়ৌখিবদা মাগী হন্টরদুনা ময়ামদা কন্থরক্লনি, মদুদগীদি ময়াম পূম্নমক কোয়চেন চেন্ননি। য়েংবদা নুংঙাইগদৌরিপোৎনি।

মীয়ামগী খোঙচৎতু নীংতম্বগী ইহুলনা লমজিংদুনা লমলোং মরি ফাংবদা য়ৌরকপদুদদি শগোল তোংবা পুলিসশিং, সিপাহীশিংনা থৎলে। খঙহৌদনা দারোগা বীরবল সিংহনা মাগী শগোলদু মমাঙদা চখৎলগা হায়রকই - নখোয়সিদগী মখা তানা চৎপা য়াদ্রে।

খোঙচৎ অদু লুচিংলিবা ইব্রাহিম অলীনা মাঙদা চখৎলগা হায়রকই - ঐনা থাজবা পীজরিবসিনি ঐখোয় য়ৈখাই-থুগাইবা, ঈরাং করিমত্তা তৌজরোই। ঐখোয়গী পান্দমদি ঈংনা চিক্লা চৎচবনি।

বীরবল - অদুবু খোঙচৎ অসি মখা তানা চৎহন্দনবা য়াথং ফংলে।

ইব্রাহিম - অদোমগী মথক থোংবশিংদা অমুক্তা হংবীয়ু।

বীরবল - ঐ মদু দরকার ওইদে হায়না খল্লি।

ইব্রাহিম - অদু ওইরবদি ঐখোয় মসিদা ফল্লনি। নখোয়না চৎখ্রগা ঐখোয় অমুক চৎকনি।

বীরবল - মফমসিদা পনবা য়াদে। নখোয় হনবা তাবনি।

ইব্রাহিমনা য়াম্না চীংলেম্না হায়রকই - ঐখোয় হনদি হল্লরোই, ঐখোয়বু থিংবগী কনাগীসু মতিক লৈতে। নহাক্কী শগোল তোংবা পুলিস নোংমৈগী সঙ্গিন্না থিংবা ঙম্লবদি থিংজরো অদুবু ঐখোয় হন্দি হল্লরোই। ঐখোয় ইচিন ইনাও মশেল অসুম্না থৌদানদবা নুমিৎ অদু করম্বা মতমদা লাক্কনি। মদু লাক্লিবা ফাওবদি ঐখোয় মীনাই য়োল্লিংদগী নান্থোকপা ঙমদবা তাবনি। বীরবল গ্রেজুয়েটনি, মাগী মপাবুংসু পুলিস সুপরিন্টেন্দেন্টনি। চাওথোকপা হায়বসি মাগী শীংলিদা য়াওরি। অতোপ্পা ওফিসারশিংনসু মাবু য়াম্না ইকায়খুম্নে। ভৌরোক ভৌই, মমিৎতু হিগোক চঙই অদুনা মশমদু ঙাংই, মানা কোট লিৎতুনা তুপ্পী উপ্পুনা লাক্লবদি লমদমসিদা পোকপা মী মান্দে। ঐখোয়বু লোই চল্লিবা মীওইশিংগা অমত্তনি হায়বা য়াই। অদুবু ইব্রাহিমগী অকনবা ৱাহৈশিংদুনা মাবু ইকায়বা পীরে। ফীভমদু য়াম্না লুরে। খোঙচৎতু থিংলুরবসু অৰায় অখুম তৌনরনি, লেপহল্লবসু মখোয় কয়াম কুইনা মফমসিদা লৈগনি হায়বা ঙমদে। অসুম্না তৌফম খঙদ্রিঙৈসিদা দি এস পিদু শগোল তোংদুনা লাকপা উরে। হৌজিক ৱাখল খন্দুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। মতিং উখোকপগী মতমনি। মানা মখ্বাংদা য়াল্লিবা লীচৈদু লৌথোক্লগা শগোলদু খোঙচৎ চৎলিবা মীয়ামলোমদা থৌজিল্লে। ইব্রাহিমদু দারোগাগা হেক মায়োক্লনা খ্বাইগী মমাঙ থানা লেপলি। মাগী মকোক্তা লীচৈনা হেক থোল্লকপদুদা মা মমিৎ তন্দন পাইরে, লেপ্পা ঙমদরে, মকোক পায়দুনা ফমথখ্রে। তাঞ্জাদুদা দারোগাগী শগোলদুনা মখোঙ খুমাং অনীদু থাঙ্গৎলগা থাদরকপদা মখাদা ফল্লিবা ইব্রাহিমগী মনঙ্গন্দা পুরা তারে। মীয়ামদু হৌজিক ফাওবা ইংনা চিক্লা লেপলি।

ইব্রাহিম্না তুথরকপদু উবদা মাবু হৌগৎনবা চেনশিনবা হৌরকই। অদুবু কনামত্তনা চঙশিনবা ঙমদ্রে। শগোল তোংবা পুলিসশিংদুগী চৈদু য়াম্না নুংশি হৈতেনা মখোয়দা হাইথরক্লি। মীয়াম্না মখূৎ খন্দুনা ঙাক্লবা হোৎনরি। ফুন-চৈনবগী ৱাখল থাদোকপা হায়বসি তাঞ্জাদুদদি ওইথোক্ত্রে। চৈনা অমদি ইকায়বা খাঙবা তারবদি পল্লোন অসি লান্থোক্লবা হোৎনবা তাবনি? সহরসিগী মী লাক্ষ কয়ানা মখোয়দা য়েংলি হায়বসি মখোয় ৱাখল লাক্লে। ফিরাল পায়রগা মায় লৈদুনা হনবা তারবদি নীংতম লালহৌদি করম্না থেংনগনি, লোয়ননা কনাসু থৰায় হিংনবা লানফম থাদোক্তুনা চেন্নদ্রি। পুক্কিদমক্তা খনবা অনেকপা শা নত্তে। নীংতম্বগী অশেংবা লান্মীনি, নীংতম্ববু পামজবা মীওইশিংগী অপূনবা শক্তমনি। মশাগী মথৌ মশক খঙই। মী কয়া মকোক-কায়রে, ইহিং নাইহিং শারে, মখূৎ তেকপা কয়াসু য়াওরে, খোল্লাউ অমত্তংদা মীয়ামসিনা শগোল তোংবশিং অসিগী মায়োক্তা চোঙশিনবা ঙম্মী অদুবু - পান্দম, ধর্ম্ম অমদি ফিদমগী য়োৎহ্লিং খোঙদা থাংবনা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদে। মিনিট তরা-তরামঙাদি অসুম্না চৈগী নোং চুদুনা লৈরে অদুগা মীয়ামদু তুমিন্না লেপ্লি।

অসুম্না ফুবী চৈবিবগী পাউসি মীকুপ অমগী মনুংদা কৈথেল য়ৌখ্রে। ইব্রাহিমবু শগোলনা নেৎখায়রে, মীওই কয়া শোক্লে, অদুবু মখোয় কনামত্তা নীংহন্নদে অদুগা পুলিসনা মখোয়বু মাঙদা চঙশিনবদগীসু থিংলি। মৈকুনা শাউনা হায়রকই - তাদা, ঐ শ্বায়দা তুমিন্না লৈথোকনীংদ্রে, ঐসু চৎলে।

দিনদয়ালনা - ঐসু চৎকনি, ইবুংঙো করিনো য়েংলুরসি। শম্ভুসু ঙাইহাক্তি তুমিন্না লৈরম্মী, খঙহৌদনা মাসু দুকান লোইশিল্লে অদুগা হায়রকই - নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা শিগদৌবা লৈরবনি, ওইনীংবা অমা ওইজরসনু। মখোয়নসু মীয়ামগীদমক্তা থৰায় থারিবনি। উনা উনা ঙাইহাক্তংগী মনুংদা দুকান অয়াম্বা থোঙ লোন্নখ্রে। মিনিট তরাগী মমাঙদা কুম্মৈ ওইনা য়েংলম্বা মীশিংসু থৌদোক থোকফমদা লোয়না চৎনখ্রে। শিবখক্তংগী নত্তনা হাৎনীংবগী ৱাখলসু য়াওরি। মী খরনা মখূৎতা চৈ পায়রি, খরনা ফুরিৎখাউদা নুং হাপলি। কনামত্তা করিসু হায়নদে। পূম্নমক অপূনবা ৱাখল অমনা চিংলদুনা পন্থুং তম্না চৎলি, নোংহৌ লাকপগী মতৌনি। লাপ্পা মীয়াম অমা লাকপদু উবদা শগোল তোংবা পুলিসশিংদু মখোয় মশেল অমগা অমগা ৱারী শান্নরি। বীরবল সিংহদু পাখৎলক্লে, দি এস পিসু মাগী গাড়ীদু মাঙদা থৌগৎখ্রে। ইংনা তপ্না চৎচবা মীশিংদা চৈনা ফুবনা ৱা অমনি শাওনা লাক্লিবা মীশিংগা মায়োক্লবনা ৱাফম অমনি। শগোল অমদি পুলিসশিংদু তুংদা হন্দোকখ্রে।

ইব্রাহিমগী মনঙ্গলদা শগোলগী খুমাংনা নেৎখিবদুনা ৱাখল তাদনা লৈমায়দা তাদুনা লৈরি। মী ময়াম্না লাংনবা তাবদগী মমিৎ পাঙথোরক্লে, নহা অমবু ইঙ্গিৎ তৌদুনা কৌরে অদুগা হংলকই - 'কৈলাস, সহরলোমদগী মী খরা লাকপরা?'

কৈলাসনা লাক্লিবা মীয়ামদু য়েংলগা হায়রকই- অহোয়, লিশীংলোমদা লাক্লি।

ইব্রাহিম - অদুদি ফীভম তাররোই। ফিরালশিংদু পায়শিল্লো, ঐখোয় হনখিবনা ফরনি নৎত্রবদি লাঞ্জাও অমা থোক্লনি, ইচিল-ইনাও মশেল খৎনবা হৌনদে হল্লসি। মসি হায়রদুনা হৌগৎনবা হোৎনরম্মী অদুবু হৌগৎপা ঙমদ্রে। হায়বদনা থেংবনি, য়াথং হেক ফংবগা লান্মীগী মতৌগুম হন্দোক্লরে। ফিরাল শেল্লকপা ৱা, ফি অমদি রুমালশিং অদুনা স্ট্রেচর অমা শেল্লে অদুগা মখোয় ময়াম চঙদুনা ইব্রাহিমবু মদুদা হিপহল্লে অদুগা হল্লক্লে। মখোয় মায়থীরবরা? মীওই খরনা মদু মায়থীবনি হায়না খল্লবসু তশেংবমক্তি মখোয়না অচৌবা মায় পাকপা অমা ফংলবনি। ঐখোয়না লান্থেংনরিবসি ঐখোয়গী ইচিল-ইনাওশিংনি, অপান্থা খেন্নবননি। মখোয়না য়েক্লবদি য়াদে। ঐখোয়না পামদ্রবসু সহরদা লুট-পাট, ফুন-চৈনবা থোরক্কনি অদুগা ঐখোয়গী অপান্থদি অকায়বা কোক অমদি য়ৈখায়-থিনগাইরবা দুকানশিংদু নত্তে। ঐখোয়গী মায়পাকপগী খুদমদি মীয়ামগী মীনুংশি ফংবসিনি।

-মথং-মথং

হিন্দীদগী হন্দোকপা

—লৈমপোকপম বেদান্তী